# নম্বা হৌরুরগা লোয়শিনখিদবা মণিপুরী ফিল্ম কয়া লৈরি, মখোয়বুসু শীংথাগদবনি

*-নানি*

মণিপুরী ফিল্মনা চহী য়াঙ্খ্রে চূপ্না খোঙচৎলকপগী পুৰারী অমা লেঙদনা লৈরে। খোঙচৎ অসিগী ঈহৌ অসি কনখৎনবা, মীওই কয়া-কয়ানা মাগী-মাগী ৰাখল্লোন, মপাঙ্গল অমদি মরিংজেল কয়া পুথোক্তুনা হোৎনমিন্নরকপনি। মখোয় ময়াম অদুনা থোল্লম্বা লম্বীনি, ঙসিগী নহারোলশিং অসিনা মতু-মমান খিংনা চৎপা ফংজরিবা। ঙসিদি লম্বী অসি তরু-তনানবা হায়বা অদু ওইরে। মশাসু নাল্লে, মহয়সু চারে। হৌরকপা মতম অদুদদি ৰারী খুদিংমক, খোঙথাং খুদিংমক অৰাবগী অৰাবা ঙাক্তনি। নীংশিংলুবদা অমদি ৰারী তারুবদা তুজুংবনা থল্লবা কয়া অমনি। অদুগুম্বা তাঙ্কক কয়াদা লৈখিবা ৰারীশিং অদুদি মণিপুরী ফিল্মগী ৰারী নত্তবরা? ফিল্ম পুথোরকপা, রিলিজ তৌরকপদু ঙাক্তনা ঐখোয়গী ফিল্মগী পুৰারী ওইগদরা? রিলিজ তৌখিদ্রবশিং অদুগী মশীং অমদি মখোয়বু ঐখোয়না খূৎ থেকপীররোইদ্রা? ৰাহংশিং অসি ঙসিদি চোঙথোরকই।



মণিপুরী ফিল্মগী পুৰারী অমা শেমগৎপদা মায় পাক্লবা ঙাক্তগী ৰারী অদুখক্তদা য়ূম্ফম ওইবা য়ারোই। ফিল্ম ওইনবা হোৎনরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কয়াশিং অদুগী ৰারীসু নুংহিক্লনা ঐখোয়না নীংশিংবা চুম্মী। মদুনা ঐখোয়দা অনৌবা থৌনা অমা পীহন্নবা মথৌ ইকফম থোকই। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা পুথোক্কনি হায়না এটেম্প তৌরম্লবা, মপুংদি ফাখিদ্রবা, মীয়ামদা রিলিজ তৌদুনা উৎখিদ্রবা **‘মাইনু পেমচা’** ঐখোয়না কাউবা য়ারোই। মদুনা ঐখোয়দা অনৌবা ইথিল অমা ইনৌ নৌনা পীরিবনি। অতৈসু ময়াম অমা লৈরি - **উরিরৈ-মাধবী**। ফিল্ম অসিগী ঈশৈ রেকোর্দ তৌদুনা গ্রামোফোন রেকোর্দ ওইনা ফোঙখি। হৌজিকফাওবদা ফিল্ম অসিমক্কী ঈশৈশিং - “চাক্লিবা লানমৈ অথাপ্পা চীংদা, মুৎচখিনি মথন্নতা”; “নঙদি অয়েকপা শক্তমনি, নুংশি খঙবা হৌনদে, থম্মোয় পান্দবীনি”; “পোকমিন্নরগা লৈগী জাত্তা”; “থৰায়গী মবেম্মা, নুংশি নোংদম ওইবী, নহাকপু পাম্মুজে নুংশিজৈনে” হায়বনচিংবা ফজখ্রবা ঈশৈ কয়া ফিল্ম অসিগীদমক মীয়ামদা লাম্থোরকখি। হৌজিকসু ঈশৈশিং অদুনা মীয়ামগী পূক্লিং খোল্লি, ঙসিসু ঐখোয়গী নাকোংদা নীন্দুনা লৈরি। য়াম্না ৰানা সিন কয়া নমদুনা ফিল্ম নম্বগী তঙ্খাই চল্লবা ফিল্ম **“নিংঙোল”** ঐখোয়না করম্না কাউগনি। নিংঙোলগী ঈশৈ - “বিদাইগী কল্লবা চৈনাসে, করম্না খাঙউ হায়বগে”, “হাওবদগী হাওরবা অহাওবা, অখাবা, অথুম্বা, অশিনবা মীথাই, লৈরো লাও চারো লাও, বোম্বে মিথাই”; “শান্নসি লাও-ও নুংঙাইনা, ইথন্তা শান্নবা নুংঙাইতে”; “খোইমু লোৎপা লৈরাং থিরুসি” হায়বনচিংবা ঈশৈশিং মতমদুগী নিংঙোল ফিল্মগী নত্তে হায়না করম্না হায়গদৌরিবনো? অসুম্না মথং মথং - “ঐদি থাদোক্লবীনি”, “চেক্লা পাইখ্রবদা”; “অনকপা খুঙ্গংগী অরাপ্পা মঙলান”, “খুঙ্গংদুদা”, পঞ্জরিবা খরা অসিদগী হেন্নসু লৈরমখিগনি। ৰারেংসি ইজরিঙৈদা লোইনমক নীংশিংজবা ঙমদদুনা মমিং পঞ্জদবা অসিগীদমক ৰারৌবীরোই। মপূং ওইনা থওইনা খরা অসি পঞ্জরুবগী মরমদি, মণিপুরী ফিল্মগী ঈহৌ অসি শাগৎনবা হোৎনবদা ফিল্মশিং অসিগী প্রদ্যুসরশিং, থৌমী পূম্নমকশিং অসিনসু অঙকপা ফংনা থৰায় য়াওনা হোৎনজখিবনি হায়বা অসিনি। মখোয়না হোৎনরম্বা কয়া অদুনা ঙসিগী মণিপুরী ফিল্মগী ঈচেল অসি কনখৎহল্লক্লিবনি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে, মখোয়বুসু শিংথাবীফম থোকই হায়বসিনি। ফিল্মগী ওইবা থৌরমশিংদা য়াম্না ৰানদি হোৎনজখিবা, অরৈবা শেল-থুম অমদি থৌনা পুথোক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগীদমক চেঞ্জখিবশিং অদো, করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী মায় পাকপদি ঙমখিদবনি। করিগুম্বা মখোয়গী থৌরাংশিং অদুনা মায় পাক্লম্লবদি পুথোকখিদ্রবা ফিল্মশিং অসিনসু অনৌবা ফিদা অমা শোয়দনা কঞ্জরমগদবনি। লৈত-লৈত হোৎনজরুবা খরসিনা মায় পাকখিদবদা মরল মথুম কয়া মাঙ তাকখিবসু য়াওনরিবনি। মরাইবক লৈতবদগী ফিল্মশিংসি পুথোকপা ঙমখিদবনি। ঐখোয়না পুথোকখিদ্রবা ফিল্ম হায়না হেক হেক কনাগুম্বশিংনা করেম্নবীবসি তাজবদা য়াম্না নুংঙাইজদে। অদুনা মরম ওইরগা ফিল্মগী থৌরম অমত্তদা মখোয় লাকপা ঙমজদে, ইকায়জবা ফাওদুনা লোৎনবা কয়া অমসু লৈখিবনি। মসি ঙসিদি নীংশিংবদা তুজুংবা ফাওই। মখোয়না হোৎনজখিবদু, খঙ হৈরে হায়না তৌখিবা নত্তে। মণিপুরী ফিল্মবু নুংশিজবা অমদি পুথোকচনীংবদগী ৰানা হোৎনজখিবনি। পুথোক্লরোই খন্না অদুক য়াম্বা শেল অমদি মতম মাঙখিবা নত্তে। মখোয়বু করেম্ন বীখিবা অমদি থওইবীদবা হায়বসি তৌহৈদবা অমা ওইগনি। মদুগী মহুত্তা, ফিল্মগী থৌরমশিংদা মখোয়গী থৌরাংশিং অদুগী মরমদা ৰাহৈ পরেং অমা অনীদা ওইরসু নীংশিংবীদুনা হায়বীবা তারবদি মখোয়গী থৰায়না কয়াদা পেঞ্জগনি। অদুনা ঙসিগী মীরোল অসিনসু, মাঙদা চৎখ্রবা মায়থীখ্রবা অহল-লমনশিং অদুনা হোৎনজরম্বা কয়া অদুবুসু য়াওনা শিংথাবীফম থোকই হায়বসি ঙসিগী ৰারেং অসিদা পঞ্জগে। লোয়ননা মণিপুরী ফিল্মগীদমক নৈনবীরিবা, অদুগা মাঙজিল থানা থবক তৌবীরিবা কাঙবুশিং, নহাদগী, অহলদগী খুদিংমক্তগীসু অসিগুম্বা পূক্লিং লুম্নীংঙাই ওইবা ৰাফমশিং অসি কাঙথোক্ত্রা ফাওবদা নীংশিংবীবা ফাওবদি চুমগনি খল্লি।

অমরোমদা ঙসি ঐখোয়নদি ঐখোয়গী ফিল্মগী মসা-মউ লোঙথোরকপা অমদি মপূং ফাদুনা মহৈ য়াল্লকপা মতমদা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা সেলেব্রেসন তৌরি। মসিসু নুংঙাই। তৌবতবু ঙসিগী ফীভম অসি তারক্লবা হোৎনবা মতমদা হৌখ্রবা অহল-লমনশিং অদুনা মশাগী হুমাং অমদি মরল-মথুম কয়া পুথোক্তুনা, মতম মাঙনা হোৎনজরকখিবা কয়াশিং অদুবুদি শিংথাবীবা খজিৎ ৰাৎপগুম থেংনৈ। থওইনা তৌবমক নৎত্রবসু, মাঙদা লৈখ্রবা, চৎখ্রবা অহল-লমনশিং অদুবুদি খক নীংশিংবীদবা মানবা থৌ ওং অসি থাদোকহন্নীংই। ফিল্মগী থৌরম অমা শিনবদা মখোয়বুসু ফম্ফম অমা পীবিদুনা ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকপ্রা হায়বসি ঐগী ৰাখলদা মোংলকই। মতমদুগী ৰাখল শান্না উবা ঙমখিবা অহল-লমনশিং অদুনা হোৎনজরম্বা কয়া অদু শিংথাবীদবা চুমদে। লৈখিদ্রবসু কোকথোঙ অমা লৈখ্রে, অদুগা হৌজিক লৈরিবা চহীনা নম্বো পোরবা খরসু লৈতবা নত্তে। অদুগুম্বা মীশকশিং অদুবু ঙসিগী নুংঙাইরবা মীকুপ কয়াদা পাঙথোক্লিবা সেলেব্রেসনশিং অদুদা অমুক্তং কাখৎহন্দুনা ৰাহৈ অমা-অনী হায়হনবদা অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংদা থৌজাল অমতং পীবিবদা মমল নাইদবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মসিনি ঙসি ঐঙোন্দা কন্না কোক শারিবা। অনৌবা মীরোলনা অরিবা মীরোলবু কৈদৌনুংদা মীরাইবা চুমদে। ঐখোয়না ঙসি হিষ্ট্রি তম্লি, হিষ্ট্রিদা মাষ্টর দিগ্রী পায়দুনা ডোক্টরেট ফাওবা ফংনরি। মসি পূম্নমকশিং অসিগী মরু ওইবা য়াম্না লৈরি। হিষ্ট্রিনা ঐখোয়দা অনৌবা ৰাখল, অনৌবা থৌনা, অনৌবা মীৎয়েং পীবা ঙম্মী। হিষ্ট্রি য়াওদনা হীরম অমত্তদা দিভেলপ তৌবা য়াদে হায়বসি খঙহন্নীংই। অদুননি চাউর-চাউরবা য়ুনিভর্সিটিদা হিষ্ট্রিগী চাউরবা দিপার্টমেন্ট হাংদুনা মীরোল অসিগী য়াইফনবগী থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা নৌরিবা কোকশিংবু মচু শঙলিবা।

লোইশিল্লকপদা অসিমতং পঞ্জগে, কনাগুম্বা ফিল্মগী থৌমীশিংনা ফিল্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমা শিনবদা অরিবা এক্টরশিং, টেক্নিসিয়নশিং, আর্ট দাইরেক্টরশিং, দিজাইনরশিং অমদি হেক মরী লৈনবদা লৈরিবা পূম্নমকশিংগীসু মফম অমা পীবিরবদি ঐখোয় ঐখোয়না তৌজগদৌরিবা অমদি চঙশিনজগদৌরিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বসিদা থাজবা থমহন্নীংই। মখোয়দা ঐখোয়না ইকায়খুম্নবা উৎপা অসি তৌফম থোকপনি হায়বসিমদি নীংশিংজনীংই।



ঙসিগী রাশি ফল
অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।০৭।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
ইঙাগী ২৫ নি পানবা।

মেষ: হরাওবা, লৌশিং চাওবা, য়েৎনবদা মায় পাকপা অমদি মরুপ মপাংতা নত্তনা লাই গুরুনা থাগৎপিবা লৈগনি। নচাক নরলদি খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

বৃষ: মীয়ামগী মতেংনা লন চাওখৎলু হায়বা নুমীৎনি। লৌশিংদি চাওই অদুবু ফুদোকপদি ঙমলোই, মহু চাওবনা কিহনবা লৈ-অরোনবা ঙাংথোক্নু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: থাজদনা নক্লবনা কোক শাহনবা, লৈঙাক্কী লমদা মীকোক থোংবা ৰাবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোনবা লৈগনি। থৌনা ফুদোকপদি মতাং চাই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট: থবক পাংগনি, ৰাখল থোক্কনি অদুনা খনবদুমক পাংবা য়াগনি অমদি হকচাংসু নুংঙাইগনি। মীচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী -নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: য়েৎনবদা ঙম্বা, অফা-অপুন কোকচবা, মরুপ মপাং/অঙম্বগী মতেং ফংজবা নুমিৎনি। লানবু লান্দ্রবা মায় পাক্কনি, লাল্লুরবা মাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: লাই গুরুনা থোইনা চানবীগনি, লেংদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈ, নিংহন্নদবনা লৈঙাক্কী লমদসু মায় পাকচগনি। তৌহৈদবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: মায় পাক্কনি-নীংবদুমক পাংবা য়াগনি। ইমুংগী ৰা তাও, অরুবা অমদি ফরে খনবা থবক্তা শেল থাদবা মতাং চাগনি। লৈঙাক্কী লমদদি মায়থি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: মীচং হেনগৎকনি, হকচাং নুংঙাইগনি, য়েক্লবা মাংখিনি অমদি অফা-অপুনসু কোকচগনি। অদুবু ফংবা য়াবা অমদি পনবনা নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: ঙসিসু অরাপ্পগী মতেং ফংবৈ নুংঙাইবা অমদি কান্নবা খরসু ফংবদি লৈ। অদুবু নাইতোম ৰা তুপথোক্কনু, লৈঙাক্কী লমদা কায়নবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কায়নবা য়াই-ঈরাং তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর: লৈঙাক্কী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি, লেপ্তুনা হোৎনবনা মীকোক থোংউ হায়বা লৈ। অদুবু মরুপ-মপাং থাজবা লুই অমদি খুৎ চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - শাওনবা লৈ-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি-মতম মাংহনগনু। অফবা থবক য়ৈথোক্কনু অমদি ঙাংবা শকপসু হৈগনি। হকচাং নুংঙাইতবা লৈবসু য়াই, য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: ঙসিসু পল্লম্বা কোকপই নুংঙাইবা, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবৈ হরাওবা অমদি মীংচৎহেনগৎপা লৈ। হকচাং নুংঙাইবদি ৰাৎলি - থৌয়াম পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title : Apple Tree
By : Ahanthem Delyna @ Doremon
Class : Pre-Nursery
School : Sun Shine English Academy, Phumlou



Title : During Covid-19
By : Leishangthem Benedik
Class : IX Roll : 2
School : Maheilen Education Centre



Title : Fish
By : Moirangthem Rohit
Class : IX Roll : 3
School : Maheilen Boarding Haotal



Title : Venom
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : I Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph's Higher Secondary School



Title : Waterfall
By : R.K. Chinglembi Sana
Class : VII Sec: B
School : Bethany School, Guwahati



Title : Loktak Lake
By : S. Lanthoibi
Class : X Sec : C Roll : 25
School : Maheilen Education Center, Haotal




Title : Makeup
By : Sanathoi Ashem
Class : II Roll : 23
School : Tampha Quality Academy



Title : Coronavirus
By : Tomthinganba Y.
Class : IV Sec: Marron Roll : 20
School : Lee Faith School



Title : Scenery
By : W. Prasanta Mangang
Class : III Sec: A Roll : 39
School : Covenant English School, New Checkon



Title : A Girl
By : Yuhenbi Yumlembam
Class : VII Sec : C
School : Wangkhei High School



Title : Girl in Moonlight
By : Yumnam Sanjana Devi
Class : IV Sec: C Roll : 65
School : Little Flower School



Title : Inside House
By : Yumnam Sinhenbi Devi
Class : K.G Sec : A Roll : 24
School : Rohini Northeastern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।